# এস দব্লিউ ৰাই সি মোরে সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৰারী ২৬ঃ** ওল মণিপুর ফুতবোল এসোসিএসন অমদি দিস্ত্রিক্ত স্পোর্তস এসোসিএসন চান্দেলগী মখাদা স্পোর্তস দেবলপমেন্ত কমিতি মৈতৈ কাউন্সিল মোরেনা শীন্দুনা ইস্তর্ন সাইন পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা লময়ানবা হিজম ইরাবত মেমোরিএল ইনভাইতেসন ফুতবোল তুর্নামেন্ত ২০১০ দা সোসিএল ৰেলফিয়র য়ুথ ক্লব (এস দব্লিউ ৰাই সি) মোরে সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি গ্রুপ এগী অরোইবা লিগ মেতচকী শান্নখিবদা এস দব্লিউ ৰাই সি অমদি তি ৰাই দব্লিউ ও তখেল অনী গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লদনা দ্রো ওইরবসু এস দব্লিউ ৰাই সিনা পূন্না পোইন্ত ৪ ফংলগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

এস দব্লিউ ৰাই সিনা গ্রুপ অসিগী অহানবা লিগ মেতচকী শান্নখিবা এস এস য়ু শীংজমৈবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ঙসি তি ৰাই দব্লিউ ওগা শান্নখিবা মেতচতা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইরবসু পোইন্ত ৪ ফংদুনা গ্রুপগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পূং ১২.১৫ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী অরোইবা লিগ মেতচ ওইনা ক্রুগপু নম্বোলগা সি দব্লিউ সি মোরেগা নুংথিল পূং ২.৩০ তাবা মতমদনা গ্রুপ সিগী অরোইবা মেতচ ওইনা ই এস য়ু ৱাংখৈগা নেরোকা শঙাকফমগা শান্নরগনি।

# ডাঃ কিসন ক্রিকেত তুর্নামেন্ততা ব্লু হোক অমদি ৰাই এ সি মায় পাকখ্রে

*পোক্নফম নিউজ সার্বিস*

***ইম্ফাল, ফেব্রুৰারী ২৬ঃ*** *মণিপুর ক্রিকেত এসোসিএসন্না শীন্দুনা চত্থরিবা ডাঃ কিসন মেমোরিএল স্তেত লেবেল লিমিতেদ ওভর ক্রিকেত তুর্নামেন্ত ২০০৯-১০ গী ঙসি শান্নখিবা মেতচশিংদা ব্লু হোক খুরাই অমদি ৰাই এ সি য়াইস্কুল মায় পাকখ্রে।*

*ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেত স্তেদিয়মদা শান্নখিবা মেতচতনা ব্লু হোকনা তি দি সি এ থৌবালবু ৱিকেত ৯ দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা খুমন লম্পাক ক্রিকেত গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেতচতনা ৰাই এ সি য়াইস্কুলনা ৰাই দব্লিউ সি লংথাবালবু রন ৮৯ দা মায়থীবা পীখিবনি।*

*লুৱাংপোকপা ক্রিকেত স্তেদিয়মদা ব্লু হোক অমদি তি দি সি এ থৌবাল অনীনা শান্নখিবা মেতচ অদুদা থৌবালনা তোস ঙমদুনা অহানবা বেতিং তৌখিবদা ওভর ৩৬ তা ওল আউত ওইরগা রন ১৫১ লৌখি। থৌবালগী ইনিংস অদুদা সুবাসচন্দ্রনা বোল ৬৬ তা রন ৪২, রোসননা বোল ৪৫ দা রন ২৪, অজাওনা বোল ৪০ দা রন ২৪ লৌবা ঙমখি। অহানবা ইনিংস অসিদা ব্লু হোক্কী নাসির অমদি তরুনা ৱিকেত ৪/৪ অদুগা সনাহল অমসুং বোবিচানা ৱিকেত অমমম লৌখি। ব্লু হোকনা মখোয়গী ইনিংসতা ওভর ৩৪.৪ দা ৱিকেত ১ তুরগা রন ১৫৩ লৌদুনা মেতচ অদু ৱিকেত ৯ দা মায় পাকখি। ব্লু হোককী সাজেননা মখোয়গী ইনিংস অদুদা গোল ৬৭ তা রন ৫১, বোবিচানা বোল ১৮ দা রন ৭ লৌরগা আউত ওইখি। অদুগা তরুনা বোল ৬২ দা রন ৭০ লৌরগা ক্রিসতা লৈখি। তি দি সি এগী মঙ্গীনা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা ৱিকেত অদু লৌবা ঙমখিবনি। মেতচ অদুগী মেন ওব দি মেতচনা ব্লু হোককী ৱিকেত ৪ অমসুং রন ৭০ লৌখিবা তরুননা তাখ্রে। হয়েং গ্রাউন্দ অসিদা ওস্কার পাওনা বাজারগা য়ু সি সি উরিপোক্পা শান্নগনি।*

*খুমন লম্পাক ক্রিকেত গ্রাউন্দদা ৰাই এ সি অমদি ৰাই দব্লিউ সি লংথাবাল অনীনা শান্নখিবা মেতচ অদুদা ৰাই এ সিনা তোস ঙমদুনা অহানবা বেতিং তৌখিবদা ওভর ৩৯ দা ওল আউত ওইরগা রন ২৩৩ লৌখি। ৰাই এ সিগী অমরিকনা বোল ৯১ দা রন ৭৮, মহিন্দ্রনা বোল ৫৫ দা রন ৩৬ অদুগা জেনিয়সনা বোল ১২ দা রন ২৪ লৌদুনা অফবা স্কোররশিং ওইখি। ইনিংস অসিদা ৰাই দব্লিউ সিগী রোসননা ৱিকেত ৩ লৌখি। অনীশুবা ইনিংসতা ৰাই দব্লিউ সিনা ওভর ৩৬ তা ওল আউত ওইরগা রন ১৪৪ লৌদুনা মেতচ অদু রন ৮৯ দা ৰাই এ সিগী মখুৎতা মায়থীবা নংখি। ৰাই দব্লিউ সিগী তেজকুমারনা বোল ৬০ দা রন ৫০, রোনালনা বোল ৩৯ দা রন ৩১ অদুগা ইনাওনা বোল ১৯ দা রন ২১ লৌখি। ইনিংস অদুদা ৰাই এ সিগী জেনিয়সনা ৱিকেত ৪, রিচার্দনা ৱিকেত ৩, সঞ্জিৎনা ৱিকেত ২ লৌখি। ৰাই এ সিগী বোল ৯১ দা রন ৭৮ লৌখিবা অমরিকনা মেন ওব দি মেতচ তাখ্রে। গ্রাউন্দ অসিদা হয়েং থাও থাংমৈবন্দনা ই এস য়ু ৱাংখৈগা শান্নরগনি।*

**DIABETES (ঈশিং-পূকচৎ) থা অনিদা কোকহল্লি**

***"Powerful & Natural Anti Diabetic Capsule DIAB-AID PLUS Cures Diabetes Mellitus in Sixty Days Only"***

Insulin Dependant, Non Insulin Dependant, Gestational (মীরোল্লিঙৈ) Diabetes কোকহল্লি। Insulin Injection কাপলিবশিংনা চাক চাদ্রিঙৈ পূং অনীগী মমাঙদা DIAB-AID PLUS CAPSULE অমমম নোংমগী অহুল্লক নুমিৎ তরানি চারবা মতুংদা কেপসুল অমমম নোংমগী অনীরক নুমিৎ য়াংখৈনি চাগদবনি। হৌরকপগী নুমিৎ তরেৎনি ফাওবা হান্না কাপ্লিবা Insulin Injection অদুগী তংখাই (Half) তমক কাপ্লগা মতুংদা নুমিৎ নিপান্নি অমুক তংখাইগী তংখাই কাপ্লগা ইনজেক্সন তোক্কদবনি। Insulin Injection কাপ্তবশিংনা চাক চাদ্রিঙৈ পূং অনীগী মমাঙদা কেপসুল অনী নোংমগী অহুল্লক নুমিৎ মঙানি চারবা মতুংদা কেপসুল অমমম নোংমগী অনীরক নুমিৎ য়াংখৈনি চারগা Diabetes কোকহল্লি। Pancreas কনখৎহন্দুনা চপ চাবা Insulin ফংহল্লি। ঈদা য়াওবা Glucose অমদি Cholesterol গী চাং চপ চাহল্লি, ৱাংহন্দে। চিনি, আলু চারোইদবনি, চাক্কী মহুৎ তল চাবা ফৈ। Heredity অমদি Serious Condition গীদি ফিভমগী মতুংইন্না নুমিৎ চাম্মনি নত্তুগা হেন্না চাথগদবনি।

Diab-Aid Plus Capsule ফারমাসিদগী ফংবীগনি।

**নুপা-নুপী, মতৈ মনাওগী নুংঙাইরবা পুন্সি ফংহল্লি**

**Poton Plus Capsules Urge Deeper Natural Desire, Passion, Pleasure, Strength; Provide Bigger, Longer, Harder Erection, Heavy Ejaculation, Stronger Body, Sharp Memory, Younger Looks' Treat Impotency.**

চহী ৩০ দগী অয়াম্বা পাঙ্গন হন্দ্ররকপনা মতৈ-মনাও তিন্নবগী চপ চাবা নুংঙাইমিন্নবা মাঙনরকই, পেন্নরক্তে। পোত্থানরমদাই পুংখাই অমা ৱাৎলিঙৈদা মতৈ-মনাও অনীমক্না Poton Plus Capsule অনী অনী শঙ্গোম অশাবগা চারবদি খুদক্তা কনখৎচরক্তুনা থৱাই তানা, পুক্লিং চপ য়ুংনা পাম্নরকই, হেন্না Bigger, Longer, Harder Erection ওইদুনা Heavy Ejaculation ফস্বী মরাং কায়না থোকহল্লি, চোকথনদে, নৌহৌনা অমুক পাম্নরকই। নুমিদাং খুদিং Poton Plus Capsule অমমম মতম শাংনা চানরবদি অহল ওইনরবা, মতৈ-মনাওদসু চপ চানা নুংঙাইনৈ, কলহল্লী, নহাগী শকফম ওইহল্লী, Memory Power হেঙ্গৎহল্লি, কাওগন্দে। বি. পি. ৱাংবা, হার্ট, কিদনী নারবশিংনা শীজিন্নরোইদবনি। Poton Plus Capsule ফারমাসিদগী ফংবীগনি।




# মণিপুর পুলিসনা গবর্নরস পোলো কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



মণিপুরগী গবর্নর গুরবচন সিংহ জগতনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুর পুলিস পোলো তিমগী শান্নরোয়শিংদা ত্রোফি খূৎশীন্নবা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৰারী ২৬ঃ** মণিপুর পুলিস স্পোর্তস ক্লবনা ২০শুবা গবর্নরস কপ ইনভাইতেসন পোলো তুর্নামেন্তকী চেম্পিয়ন ওইদুনা চহী অসিদা পাঙথোকপা ২৫শুবা এন হজারি অমদি অহানবা ৫৭ মাউন্তেন দিবিজন পোলো তুর্নামেন্তকী চেম্পিয়নসু ওইদুনা সিজন অসিদা চেম্পিয়নগী হেত ত্রিক ফংবা ফংখ্রে।

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা হৌখিবা ২১ গী চত্থরকখিবা পোলো তুর্নামেন্ত অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেতচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্তস ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লব (বি) বু গোল ৯-৬ তা মায়থীবা পীদুনা পুলিসনা চেম্পিয়ন ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লীশীং ১০ গী মনা ফংখি। খুরাই পোলো ক্লবনা রন্নর্স অপ তাদুনা লুপা লীশীং ৭ কী মনা ফংখ্রে।

পোলো তুর্নামেন্ত অসিগী বেস্ত পোলো প্লেয়রগী মনা লুপা লীশীং ৫, খুরাই পোলো ক্লবকী তিঐচ মোচানা ফংখ্রে। শরুক য়াখিবা তিমশিংদগী খনগৎলবা বেস্ত পোলো পোনি মঙাদা লুপা লীশীং অমমমগী মনাসু পীখি। ঙসি তুর্নামেন্ত অসিগী মণিপুর পুলিস অমদি খুরাই পোলো ক্লব অনীনা শান্নখিবা মেতচ অদুগী অহানবা চক্কাগী সেকেন্দ ৪৯শুবদা খুরাইগী এল থোমসননা অহানবা গোলগী একাউন্ত হাংদোক্লবা মতুং সেকেন্দ ৪ লৈরগা পুলিসকী এম জৰাননা গোল ১ চন্দুনা পাঞ্জলগী ফীবম মান্নহনখি। পাঞ্জল মান্নদুনা চৎলবা মতুং পুলিসকী এম জৰাননা মিনিত ৩.২৬ তা তিম অসিগী এম জৰাননা তিমগী অনীশুবা গোল চনখি। অদুবু খুরাইগী তিঐচ মোচানা মিনিত ৫.৪০ দা গোল ১ চন্দুনা তিম অনীনা গোল ২-২ দা লৈনরবা মতুংদা পুলিসকী সোমোরজিৎনা মিনিত ৬.০৯ দা তিমগী অহুমশুবা অদুগা এম জৰাননা ৬.২২ দা গোল ১ চন্দুনা অহানবা চক্কা শান্নখিবদা পুলিসনা খুরাইদগী গোল ২ মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ফাইনেল মেতচ অসিগী অনীশুবা চক্কাগী শান্নখিবদা সেকেন্দ ৫২দা খুরাইগী মোচানা য়াম্না শাংনা পুশীল্লত্তুনা মখোয়গী তিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা পুলিসতগী গোল অমত্তমক শোত্থখি। গোল ১ মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা পুলিসকী সোমোরজিৎনা অনীশুবা চক্কা অসিগী মিনিত ১.০৮ তা তিমগী মঙাশুবা গোল অদু চল্লবা মতুংদা অমুক হন্না মহাক্না মিনিত ৬.৩৬ তা তিমগী ৬শুবা গোল অদু চন্দুনা খুরাইদগী গোল ৩ মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি। মখা তানা তিম অনীনা অহুমশুবা চক্কাগী শান্নখিবদা খুরাইগী তিঐচ মোচানা সেকেন্দ ১৫ দা মহাক্কী তিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা মখোয়গী শোত্থরিবা গোল অহুম অদুগী অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু অহুমশুবা চক্কা অসিদা পুলিস জৰাননা মহাক্কী তিমগী ৭শুবা গোল অদু চন্দুনা অমুক হন্না খুরাইদগী গোল ৩ মাঙজিল থারবা মতুংদা পুলিসকী অনীশুবা হাফতগী শান্নবা য়াওরকখিবা তি প্রদিবনা মিনিত ৫.৪৫ তা তিমগী ৮শুবা গোল চন্দুনা অহুমশুবা চক্কাগী শান্নবা লোইখিবদা পুলিসনা খুরাইদগী গোল ৪ মাঙজিল থাখি। অরোইবা মরিশুবা চক্কাগী শান্নখিবদা খুরাইগী এল থোমসন্না বেক হেন্দ স্ত্রোক অমা য়ৈশীন্দুনা মহাক্কী তিমগী ৫শুবা গোল অদু চনখি। চক্কা অসিগী মিনিত ৪.২৫ তা পুলিসকী এম জৰাননা চেম্পিয়ন ওইবগী ৯শুবা গোল অদু চনখি। পুলিসনা খুরাইগী গোল মরি মাঙজিল থাদুনা চৎলবা মতুংদা খুরাইগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা প্রেসর পীদুনা শান্নখিবগী মিনিত ৪.৪৫ তা খুরাইগী এল থোমসননা য়াম্না ৱাংনা য়ৈশীন্দুনা মহাক্কী তিমগী ৬শুবা গোল অদু চনখি। মখা তানা খুরাইগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লনবা অকনবা এতেক তৌদুনা শান্নখিবদা গোল ওইবা য়াবা খুদোং চাবা কয়া অমা পোস্তকী মনাক্তা অমদি পুলিসকী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিংনা গোল লাইন ময়াদগী ঙাকথোকখি।

২০শুবা গবর্নরস কপকী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী গবর্নর গুরবচন সিংহ জগতনা গেস্ত ওব ওনর, মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ত এস বুধচন্দ্র সিংহ আই এ এসনা প্রসিদেন্ত অমদি ৫৭ মাউন্তেন দিবিজনগী দিপুতি জি ও সি গ্রেৱালনা গেস্ত ওব ওনর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

## পোলোনা তুরিস্তশিং হেন্না লাকহন্নীংবা পোকহনগনি ঃ গুরবচন

স্তেত গেম ওইরিবা পোলো মশান্না অসি হেন্না চাওখৎহন্দুনা স্পোর্তস তুরিজমগী মচাক অমা ওইদুনা স্তেত অসিদা তুরিস্তশিং মণিপুরদা হেন্না চঙলক্তুনা স্তেত অসিগী ইকনমি ফগৎহনবদা অচৌবা মতেঙ অমা ওইগনি হায়না ২০শুবা গবর্নরস কপ্তা চীফ গেস্ত ওইখিবা মণিপুরগী গবর্নর গুরবচননা ফোঙদোকখিবনি। স্তেত গবর্নমেন্তনা পোলো মশান্নবু হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক পোলো এসোসিএসনশিংদা হেন্না মতেঙ পাংহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। পোলো অমদি পোনিবু হেন্না ফগৎহন্নবা থবক কয়া পায়খৎননবা গবর্নরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# বিমোলচন্দ্র ত্রোফি

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল, ফেব্রুৰারী ২৬ঃ** পিছফুল ক্লব অমদি এস য়ু সি ও খুরাই নিংথৌবুং লৈকাইনা শীন্দুনা চত্থরিবা বীমোলচন্দ্র ফুতবোল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেতচশিংদা আর ৰাই ও, তি কে তি, ৰাই এম এস মায় পাকখ্রে। রাইব্রোজ লাক্তবদগী পি এস সি খুরাইনা ৱার্ক ওভর ফংখ্রে। ঙসি অয়ূক্কী অহানবা মেতচকী শান্নখিবা আর ৰাই ও মোইরাংখোমনা আর দি দি ৱাংখৈবু গোল ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। অয়ূক্কী অনীশুবা মেতচকী শান্নখিবদা তি কে তি থম্বালখোংনা ঘোরোবা সোক্কর খুরাইবু গোল ১১-৬ তা মায়থীবা পীখিবনি। নুংথিলগী অহানবা মেতচকী শান্নখিবদনা ৰাই এম এস কোংপাল লাইশ্রম লৈকাইনা পোতো খুরাইবু গোল ৯-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

# জয়চন্দ্রনা ভেতারন মেন্স সিঙ্গলসকী তাইতল লৌখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল, ফেব্রুৰারী ২৬ঃ** মিজোরামদা ফেব্রুৰারী ২২ দগী চত্থরকখিবা ওল ইন্দিয়া সিবিল সার্বিসেস তেবল তেনিস চেম্পিয়ন্সিপতা এজি মণিপুরগী সেনিয়র একাউন্তেন ওইরিবা এস জয়চন্দ্র সিংহনা চহী ৪০ মথক্কী ভেতারন মেন্স সিঙ্গলসকী তাইতল ফংক্লে।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা জয়চন্দ্রনা মহাক্কী জুরাগা লোয়ননা মেন্স দবলসকী তাইতলসু ফংখি হায়না মণিপুর তেবল তেনিস এসোসিএসনগী সেক্রেতরি তিঐচ নন্দকেশ্বর সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ক্রাওনা য়ু সি সিবু মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৰারী ২৬ঃ** পি সি সি গ্রাউন্দ ময়ায় কোইবিদা চত্থরিবা এম সি এ অন্দর ১৩ ক্রিকেত তুর্নামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেতচতা ক্রাওনা য়ু সি সি উরিপোকপু ৱিকেত ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেতচ অদুদা ক্রাওগী ৱিকেত ৭ লৌখিবা অজয়না মেন ওব দি মেতচ তাখ্রে। হয়েং রি য়ং স্তারগা এম সি এগা শান্নরগনি।

# তগ ওব ৱার শান্নরোয়শিং ওকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৰারী ২৬ঃ** পঞ্জাবকী ঝলন্ধরদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা সেনিয়র নেসনেল তগ ওব ৱার চেম্পিয়ন্সিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবা এমেচর তগ ওব ৱার এসোসিএসন মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্তস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।













Owned, edited & published by **SH. GOPAL SHARMA** from Keishampat Thiyam Leirak, Imphal and Printed by him at **Padma Printers**, Imphal -795001; Joint Editor : **A. ROBINDRO SHARMA**; Associate Editor : **BIJOY KAKCHINGTABAM**
Regd. 28436/75; MNP No. 66. Phone : **(0385) 2459175, 2441084, 2446562** Fax : **(0385) 2442981**, Website : **www.poknapham.in**; e-mail : **poknaphamdaily@yahoo.co.in / poknaphamdaily@rediffmail.com**